# জাতক্কী শৈরোল

মৈতৈলোন্দা ইথোকপা : বি জয়ন্তকুমার শর্ম্মা

## থাজবা য়াদবা নুমীৎ য়ুংবী

নিংথৌ ব্রহ্মদত্তনা কাশীদবূ পাল্লিঙৈ,
বোধিসত্ব লৌশিংবা চুম ওইনা পোক্লিঙৈ,
চুমগী নিংথৌ ওইদুনা তুরেল তোর্ব্বান অমদা,
চুমশিংগা লৈরম্মী, 'দুঙৈ মতম অমদা।
মাগী মচা নুপাদো নুমীৎ য়ুংবী অমগা,
য়াম্না তোরোৎ-খোদানা তিন্নৈ 'মগা অমগা।
নুমীৎ য়ুংবী মথক্তা কাদুনবু শান্নখি;
থরো-মাল্লো ওনমিন্ন 'য়ৌনা চান্ন-চিন্নখি।
চুম কয়া অমনা তমখি বোধিসত্বদা।
বোধিসত্ব মচাবু ফহন্নিংবা কৌবদ'ই,
হায়খি, 'লাপ্পা লৈয়ু'বু নুমীৎ য়ুংবী' সঙ্গাই'ই,
"নুমীৎ য়ুংবী কৌবদি খঙউ অতোন শানিদো।
মাগা তিন্নরুবদি চুম শাগৈ মাঙনিদো।"
ফনা থেম্মি মাচাবু ফনা ঙাঙই ৱা-ওইদে;
অপঙবদা পাউতাকপা পাউতাক মহয় য়ান্নদে।
তুংদা থোক্ল' য়ারিবা খুদোংথীবা উদুনা,
বোধিসত্ব থৌরাংখি চেনফম মখুল হুত্তুনা।
মতম খোঙলৈ মতুংইন্ন চুম অদু চাউরক্লে;
মাগা নম্ন শান্নবা নুমীৎ য়ুংবী ৱারক্লে।
অসুম কুইনা লোয়নবা শিবা তারে খন্দুনা,
চুম শাগৈ হাৎকে খনখি শিকারীদা হায়দুনা।
নোংমা কালেন থাদদি ককচেং ময়াম থোরকখি;
চুম ময়াম অমসুং ককচেং চাবা লাক্লমখি।
চুম ফাবা শিকারী লাকখি উমং অদুদা;
নুমীৎ য়ুংবী কৌবনা তাকখি নুপা অদুদা—
চুম মখুল অমবু চুম ময়াম লৈবনি।
মাগী পাউতাক মতুংইন্না শিকারীদি হৈশিংবা,
চুম মখুল অদুদা মৈখু কামশিনখি;
মৈখু খাঙ-ঙমদদুনা চুম ময়াম থোরকখি।
পাইথোরকপা চুমশিংবু চৈনা থাদুনা হাৎপনি।
লেমহৌ' খরা অদুনা হুয়না তেংনা লাকপনি।
থৌদোক অসি নুমীৎ য়ুংবী' থৌইনশিন্দ'ই থোকপনি
খঙলদুনা বোধিসত্ব অসুম্না লাউবনি—
'সঙ্গ ফত্ত' তিল্লুবা পোলোই ফবা হৌনদে;
নুমীৎ য়ুংবী অমদ'ই অফববু ওইরক্তে;
মহাকথক্ত'ই ওন্থোকই! চুম শাগৈ মাঙলোদো!"
হায়রম্লগা অরোনবা মখুনদবু থোকখিদো। ০

# মণিপুরী পাউরৌ

লোইতোংবম বীরজিতা দেবী

## অঙাংনা মৈ কিদে

অঙাং হায়রিবসিদি মখোয়গী মশাদা খন্থবা ঙম্বগী ৱাখল য়াওদ্রিবনা অকি-অখঙ করিসু খঙদে মরম অদুনা শাখ্রবা মৈবু করিসু খন্দনা শোকউবা ঙম্মী। খঙদবনা মরম ওইদুনা মৈদুনা মঙোন্দা পোক্কনি হায়বা খন্থহৌদনা মৈবু পায়রুই। অহল-লমন্নদি মৈদুনা পোত্তুনা মৈশা ফংদুনা অৱাবা ওইগনি হায়বা মৈগী গুণবু খঙবা ঙম্বনা, মৈবু পাক হেক্তা শোকউবা ঙমদে, শোক্লিংবসু ফাওরুদে। অদুবু অঙাংদুনদি অহল অদুগুম্না ৱাখল লৌশিং জ্ঞান তাবা নত্তবনিনা মৈদু পায়বা ঙম্মী। অদুম্না পায়রুবদা মৈনা পোত্তুনা অৱাবা ওই। মৈনা পোক্লবা মতমদতা মৈশা ফংদুনা মৈবু কিবদু খঙলকই। মতৌ অসুম্না অফ-ফত্তা মশক খঙদনা করিগুম্বা থবক অমবু নহা ওইবশিংনা পাঙথোক্লবা হোৎনবা মতমদা তৌগদৌরিবা থবক্তুগী অফ-ফত্তগী ফল খঙবা ঙম্বা অহল লমনশিংনা খাম্বা য়াদনা, নহা ওইবশিংনা থবক্তু তৌরুবা মতমদা অসিগুম্বা পাউরৌসি শিজিন্নৈ।।

— — –

## অঙাও ফৌশু চরা নোংখন্নৈ

মীওইবগী খুন্নাইগী চৎন-লোনচৎশিংগী মরক্তগী তোখায়না তারবা অঙাওবশিংনসু মখোয়গী ৱাখলদা তৌনিংবা ঈথিল লাক্তুনা য়ৌনা শুরক্লবদি নোংফাদোকসু কান্নবা পী। হায়বদি থবক্তু তৌবদা ফজদবা মওং তাদবা ওইরবসু কান্নবা খরদি ফংহল্লি। মতৌ অসুম্না কনাগুম্বা ইমুং-মনুংগী ৱাখল কয়া খ দবা মীওই অমনা নোং ফাদোক ইঙাও ঙাওনা থবক অমা তৌথোরকপদা ইমুংদুগীদি কান্নৈ হায়বা ৱাখল্লোন অসিবু পাউরৌ অসিনা পীরি।।

———

## অঙাং অমা য়োকপা নাই অমা লৈবা শীৎলি

তাইবঙগী চৎনবী মতুংইন্না মমা-মপা ওইবশিংনা মচাবু পীক্লিঙৈদগী চাউনবা য়োক্লপদা মতম কয়া চঙনা কদাইদা শোয়খিগদগে হায়দুনা য়াম্না ৱানা চেকশিন্না চাউনবা য়োক্লকই। অদুগা অঙাং অদুবু কদাইদা শোয়খিগদগে হায়না ৱানা শেন্নরক্লগা চাউরকপা ঙল্লিবনি। অঙাং অমা য়োক্লকপদগী শাংখ্রবা মতম অদুদা শূ-নোমদুনা লন তানবা তারবদি মীনাই অমা লৈবদি হেন্দোক্লা ঙম্মী। অৱাবা কোঙ্গাই খাঙলগা অঙাং অমবু মমা-মপা ওইবশিংনা নৎত্রগা অহল-লমন ওইবশিংনা য়োক্লই হায়বদু পাউরৌ অসিনা উৎলি। অঙাং অমা চাউরকপা হায়বসি তরাই তরাইনা হেক্তা চাউরকপা নত্তে, য়াম্না ৱানা মতম চঙনা হোৎনরগা চাউরকপনি হায়বা ৱাখল্লোনবু পাউরৌসিনা তাকই।।

# অঙাংগী ৱারী

রঘু লৈশাংথেম

## উচেক অমসুং নুপীমচা




কোনুংদনি।

নুপীমচা অমা ও-খোংনা কপ্লি। মনাই মশনশিংনা ফুবি চৈবিরি। নিংথৌগী য়াথংনি। ফিমন শেৎপী নুপীমচা অসি মরায়বক থীরবীনি। মমা-মপা লৈজদা চানিংঙাই থক্লিংঙাই লৈতদুনা কোনুংদা ভিক্ষা নিবা লাকপনি। ফজরবা কোনুংদা অসিগুম্বা ফিমন শেৎপী নুপীমচা অমা চংলকপসি অনৌবনি। মাগী লৈবাক্তা লৈবা প্রজা অমা অসুম্না ভিক্ষা নিবা লাকপসি কোনুংগী ইজ্জৎ শোকই হায়দুনা নিংথৌনা মাবু তাম্থোকখিনবা মনাই মশনদা য়াথং পীখিবদগী ফুবিরিবনি। সনথোঙ অসিদা নুপীমচা অদু উপ্রাক্লা তাদুনা লৈ। মতম অসিদা উচেক অমা পাইরক্তুনা নুপীচা অদুদা হায়রকই,

— নুপীমচা লাক্লো ঐগী উমংদা চৎলসি। নঙগী কনা লৈতে হায়না করিগী কপ্লিবনো? সে হৌগৎলু ঐগী তুংদা লাক্লো।

নুপীমচা অদুনা ফূক হৌগৎলক্তুনা উচেক অদুদা হংলকই,

— কনানো ঐবু কৌরিবা, উচেক নঙবু মীরা লাইরা? ঐদি ফিমন শেৎপী চরাম চদৎনরবী নুপীমচানি। ঐগীদি কনাসু লৈজদে।

ৱাহৈশিং অসি হায়রকপগা লোয়ননা উচেক্তা য়েংদুনা নুপীমচা অদু হিক-হিক কপ্লকই।

— উচেক ঐনা নঙবু লৌবা লাক্লিবনি। ঐখোয়গী উমংদা উহৈ য়াম্না পাল্লি। নঙনা চাক লাম্লিবদু কোক্লবা উহৈশিং পীজগে হায়না নঙবু ঐনা কৌবা লাক্লিবনি। চৎলসি লাক্লো ঐগী তুং ইন্নরকউ।ৱাহৈশিংসে উচেক্তুনা নুপীমচা নুংশিংনা য়েংলগা হায়রকখিবনি।

নুপীমচা অদু ইঙক ঙক্লা উচেক অদুগী তুং ইল্লদুনা লাক্লম্মী। শুক্লবা উমং অমদা থুংলরে। মী তাদ্রবা উমং অদুদা উচেক্কী খোঞ্জেলনা নিল্লবা র্স্বগগী লমদম হায়বদু মফম অসিবু ওইরিগদ্রা? খঙনিংবগী ৱাহংনা লাংতক্লদুনা নুপীমচা অদুগী মপৃক্লিংদা হংজরকই। খঙহীদনা নুপীমচাদুগী পি মতুম-মতুম মহাক্কী মমিৎতগী অরেপ্পা লৈতনা তারকই।

— কৈদৌরবগে নুপীমচা নঙনা কপ্লিবদি? নঙগী থম্মোয়নুংদা করি অমুক খল্লিবনো?

— ঐসে, হা উচেক! ইমা-ইপানা ইথন্তা পোকপনি। ইমা-ইপানা লুনা তৌবিবনি। ইমা-ইপা লৈখিদ্রবা তুংদা ঙসিদি ভিক্ষারি ওইরেদো।

নুপীমচানা উচেক্তা হায়রকখিবনি। মতম অসিদা উচেক্লা হায়রকই,

— নত্তে, নত্তে উমংগী রাজকুমারী অমা ওইনবগীদমক্তনি। অচিকপা মীনুংশিংগী থম্মোয়তনা থল্লবা উমংসিদদি ভিক্ষারি অমতা লৈতে। নুপীমচা কপ্লনু উহৈ অসি চাউ।

ঙসিদি উচেক অমসুং নুপীমচা অমতা ওইখ্রে। শূক্লবা উমংদু নুপীমচাদুগী ফজরবা ময়ূম ওইখ্রে। হৌরিবা উপালশিংনা মাগী লেঙদ্রবা ঙাক শেনবা লাম্মী ওইদুনা লৈখি। নুপীমচা অদুনা নোংমা-নোংমগী চাউরক্তুনা মপুং মরৈ ফারক্লে।

কোনুংদনা নিংথৌ অদু য়াম্না কন্না নারে। অমাইবা অমাইবী শুনা লায়েংবদসু ফবা ঙমদ্রে। উপায় লৈত্রদুনা শিবগী পূংফম ঙাইদুনা লৈরি। মতমসিদা উচেক্লা নুপীমচা অদুদা হায়রকখি,

— নুপীমচা নঙ পাউ অমা তারব্রা? লৈবাক অসিগী নিংথৌ অদু য়াম্না কন্না নারে। মহাক হৌজিক শিবগী মতম ঙাইদুনা লৈখ্রে। নুপীমচা নঙ কোনুংদা চৎলু। নিংথৌ অদু নঙনা লায়েংলগা ফগদৌরিবনি। ঐনা পীরিবা উহৈশিং অসি পীজৌ।

— মখোয় মনাই মশন্না ঐবু ফুবিরক্কনি। অসি হায়দুনা নুপীমচা অদুনা উচেক্লা হায়বা ৱাফম অদু য়ারমদে।

— করিগী ফুগদৌরিবা? হৌজিক্তি, নঙ উমং অসিগী রাজকুমারী ওইরবনি। পূম্নমক উচেক ঐনা পোরম য়াৎখ্রবনি। ঙসিমক ঐগা চৎমিন্নরসি।

উচেক্লা কন্না হায়রবদা নুপীমচা অদু কোনুং তম্না লাক্লে। পাউ অসি নিংথৌগী সনা নাকোং য়ৌখ্রে।

নিংথৌনা নুপীমচা অদুবু চঙহল্লকউ হায়না মনাইশিংদা সনা য়াথং পীখ্রে।

নুপীমচা অদুনা নিংথৌগী মনাক য়ৌরদা মহাক্লা পুরকপা উহৈ অদু নিংথৌদা পীজদুনা লায়েংবা হৌখ্রে।

মীকুপ খরগী মতুংদা লৈবাক অদুগী নিংথৌদু অনাবা পূমফ-ফরে। নুপীমচা অদুনা পুরকপা উহৈ চারুবদগী নিংথৌনা অনাবা ফরকপদা লৈবাক প্রজা পূম্নমক হরাওনরে।

নিংথৌনা মতম কুইনা নাদুনা লৈরুরবা তুংদা নুপীমচাগী উহৈ চারুবদগী খুদক্তা অনাবা ফরকপদূদা অঙকপা থৌদোক অমা ওইখ্রে।

মতম অসিদা নিংথৌনা নুপীমচা অদুদা নুংশিনা হায়রকখি,

— নুপীমচা নহাক কনানো?

— ইনিংথৌ! মহৌশা ভিক্ষা লাকপদা ফিমন শেৎপীনি, কোনুংগী ইজ্জৎ শোকই হায়দুনা ফু-চৈদুনা তাম্থোকপীখিবা নুপীমচা অদু ননাই ঐহাক্লি।

নুপীমচাদুনা কিনা খুম্লকই। অদুবু ইঙক ঙক্লা নুপীমচা অদুদা নিংথৌনা খুরুম্লদুনা ও-খোংনা কপ্লকই।

-- ৱারৌগনু নুপীমচা! ইপানা নঙবু ঐগী প্রজানি হায়বা খঙলুদবদগীনি। ইপা লানখ্রে, অমুক্তা ঙাকপীয়ু।

নিথৌনা নুপীমচাদা হায়জরকই।


মতম অসিদা উমংগী উচেক শঙ্গূ-শঙ্গূ পাইরক্তুনা নুপীমচাগী মথক্তা লৈ চবুন চবুন চাইথরকই।০

# লোক্তাক্তা লাইরেল লৈখিদবগী ৱারী

ফুঙ্গা ৱারী

## থোকচোম থৌয়াঙবা

**থায়না** মমাঙঙৈদা লোক্তাক খোংবান্দা য়াম্না থৌনা ফবা কিগন্দবা শু-নোম্বা কনজবা মিকোন কৌবা নুপা অমা লৈরম্মী। মাগী ইমুং মনুং থাক্লবা হোৎনবদা মহাক্লা মোইরাংগী কংলৈরোলদা তৎনবা থানবা য়াদনা শাগোন্নরিবা লোক্তাক পাৎতা লাং থাক্তুনা ইন চিংদুনা অমদি লূ-তাইজেপনচিংবা থাদুনা-থমদুনা ঙা ফারগা মদুদা ফারকপা ঙা অদুনা ঙায়োনবী মচে মনেমশিংনা মঙোন্দগী হোঙনা লৌজরগা মোইরাং খোরি কৈথেলদা পুথোক্তুনা য়োন্নৈ। মতম লৈবা খিবিক্তা পাৎতা ঙা ফাবনা মহাক্কী মথৌদাং ওইজৈ।



নোংমা অয়ূক অমদি মিকোননা মহাক্লা থাক্লম্বা লাং অমদি থুম্লম্বা লূ তাইজেপশিং কাইরুগে হায়দুনা লূকাই হি অমদা থাঙ অমা হাপচিল্লগা হি অদু হোন্দুনা হাওতক পাত্তা লাক্লম্মী। নুমিৎ অদুদি ইশুশা, ওন্থোকপগী মতৌ হায়বদুনি মিকোনগী পুন্সিদা অমুক্তা থেংনখিদ্রিবা মওংদা লৈচিলনা পাৎ অদু পুন্মম মল্লম্মী। অদুবু পাৎ অদু লৈচিলনা পুমকমম মমজরবসু মহাক্লা থাক্লম্বা লাং অমদি থুম্লম্বা লূ তাইজেপশিংগী মফমদি খঙবনিনা করিসু নিংঙায়বা তৌদনা হি অদু হোন্দুনা চৎলম্মী। অদুবু নুমিৎ অদুদি ওন্থোকপনি ইশুশা, লোক্তাক পাৎ অদুদা মতম কয়াগী মমাঙদগী চাদা নাউদাদুনা লৈরক্লবা চাউখ্রবা লাইওইরবা লাইরেল অমনা মিকোননা লাকপা উবদা মাবু য়োৎলগা চারগে খন্দুনা মিকোননা লাক্কদবা লম্বী অদুদা ময়া লাওনা কাথোক্তুনা খাবাক খন্দুনা লৈরে। মিকোন্দি অদুম্না লাইরেল লৈরমগনি হায়বদি খল্লুদবনা করিসু অকিবা লৈতনা হি অদু অসুম অসুম মাগী লাং থাকফম, লূ থুমফম তান্না হোল্লম্মী অদুবু লাইরেল অদুগী মনাক নকশিল্লক্লবদা মিকোননা করিগুম্বা অমনা মাগী মমাঙদা থত্তুনা লৈবা অমা মমি শামি উরম্মী। অদুবু মানা লোক্তাক পাৎকী ফূম মথক্তা ঙাফা-চাকফা তৌবা মীশিংনা অহিং য়ারেক্লবগী অমদি নোংজু নুংশা খাঙননবগী শাদুনা থম্নরিবা শঙ মচা ওইরমগনি মদু থৈদোক্লগা চৎলগা লোইরে হায়না খল্লি। অদুবু মিকোনগী মাঙদা থত্তুনা লৈরিবা অদুদি শঙ নত্তবনিনা মিকোননা লাইরেল অদুগী মনাক হেক নকশিল্লুবদা মিকোনবু লাইরেল অদুনা হিগা কোন্ননা য়োৎশিনখ্রে। করিগুম্বা পোৎ অমা য়োৎলবনিনা লাইরেলনা য়োৎলিবা পোৎ অদু তুম্ননবা কংফাল লোমদা কাখৎলগা উ অমদা কাখত্তুনা য়েৎলগা লৈখায়গে নিংদুনা লাইরেলদো কংফালদা কাখৎলকই। অসুম্না লাইরেলনা মানা য়েত্তুনা মশা অদু লৈখায়বা য়াবা উ অমা ফংনবা কংফালদা কাখৎলিঙৈ মতম অসিদা লাইরেলগী পুক্লুংদা লৈরিবা মিকোননা পাইমনুংদা খল্লি, করম্লো ঙসিদি ঐ লাইরেলনা য়োৎলেদনা অদুবু ঐ শিবা য়াবা নত্তে। লাইরেল হায়বসিদি মখোয়না করিগুম্বা পোৎ অমবু চারবদি চারুরিবা পোৎ অদু তুম্ননবা উ অমদা কাখৎতুনা লৈখায়দুনা য়েৎপনি। মানা হোরেল ঐবু উ অমদা কাখৎতুনা শোয়দনা লৈখায়রক্কনি। মতম অদুদা ঐনা মাবু ঐগী থাঙ অসিনা লাইরেলগী মবুকসি তংখায় তানা খায়দোক্তুনা লাইরেলগী মথ্বায় লৌরগে। অসি খন্দুনা মিকোননা লাইরেলগী মবুক মনুংদা য়াওরিবা হি অদুগী মনুংদা মাগী থাঙদু মখূৎতা চেৎনা পায়দুনা ফীভম শেমদুনা লৈখ্রে। অদুদগী লাইরেল অদুনা কংফাল য়ৌরবা মতমদুদা মানা য়েৎপা য়াবা উ অমা য়েংলগা মিকোন অমদি হি অদুবু তুম্নবা লৈখায়গে নিংদুনা উজাউ অমদা কাখৎলক্লে। অদুগা উ অদুদা লাইরেল অদুনা কন্না য়েত্তুনা মশাদু লৈখায়বা হৌরক্লে। মতম অদুদা মিকোননা লাইরেলনা উদা কাদুনা য়েৎপা হৌরে খঙদুনা মানা পায়রিবা থাঙ মতোন অতুম্বা অদুনা লাইরেলনা কাখৎলক্লিবা উ অদুদা থাঙ ময়া অদু মখারোমদা ওন্থরগা ঐ শিবা য়াবা নত্তে খন্দুনা মিকোননা অরোইবা থৌনাগা লোয়ননা লৈজবী থাদুনা থাঙ অদু উ অদুদা কন্না য়ুংশিল্লগা মুক্তুনা পায়দুনা লৈরে। লাইরেলদি অফিং অফাই ওইনা উ অদুদা কাখৎলকপনীনা মিকোননা থাঙ অদুনা মবুক ফাওনা য়ুংলবসু লেপ্পা নংহৌদবদগী মবুক অহৌবদগী মমৈ ফাওবা কাখৎলকপা মতম অদুদদি লাইরেলদো মিকোনগী থাঙনা মবুক্তো তঙ্খায় তানা খায়দোক্লে। লাইরেলগী মবুক অদু লোইনা খায়দোক্লবনিনা মপাঙ্গল অমত্তা য়াওদ্রদুনা উ অদুদগী লাইরেল অদু ফদ্রাক লাউনা তারক্লে। অদুগা লাইরেল অদুনা মিকোন্দা য়েংলগা হায়রকই, মিকোন ঐ ঙসিদি নঙগী নখুৎতা মায়থীরে ঐনা ঐগী ঈফমদা করিসু লানখিদবা নঙবু য়োত্তুনা চাগে খল্লুরে ঐগী ফৎত্রবা ৱাখল অদুনা লমজিং ওইদুনা ঙসিদি ঐগী পুন্সি অসি নঙগী নখুৎতা লোম্লেদো। ঐনা করিসু লাঞ্জদবা নঙগী নফমদা ফত্তবা ৱাখল অমা খন্দুনা নঙবু চাগে খল্লুরিবা অসিগী ইরাল অসি কোকননবা নঙনা ঐগী ইফমদা নিনিংবা মহৈ অমত্তংদি নিযু নহাক্কী অপাম্বদু পীরম্লগা ঐহাক থুপখ্রগে হায়রম্মী। মদুদা মিকোননা লাইওইরবা লাইরেল অদুগী মফমদা খূৎ অনী লোন্নজরগা হায়রকই, হে লাইওইরবা লোক্তাক পাৎ অসিদা মতম কুইনা লৈরক্তুনা তাইবঙ মীরোল ফাওবা খঙবীরবা লাইরেল ঐনা নঙগী নফমদা নিজগদববদি, মিকোন কৌবা ঐহাকসে পুন্সি নুংশাংনা ইনাক কৈরাক খুন্দুনা নুংঙাইনা পাঞ্জগে নিজরোই। নহাক্লবু ঐনা নিরিবা অদু পীবিনি হায়রবদি ঙসিদগী হৌরদুনা লোক্তাক পাৎ অসিদা অহিং মীংশেল খাঙদুনা নোংজু নুংশা মায়োক্লদুনা ঙাফা চাকফা তৌজদুনা নোংমগী চরা তাঞ্জরিবা কনাগুম্বা মীওই অমত্তবু লাইরেল নখোয়গী নখুৎতা ঐনা ঙসি নঙগী নফমদা তারিবা অৱাবা অসিগুম্না অমুক হন্না তাদনবা লাইরেল নখোয়বু লোক্তাক পাৎ অসিদদি অমুক হন্না লৈবিরগনু হায়জরকই। মদুদা লাইওইরবা লাইরেল অদুনা মিকোনগী ৱাফম অদুবু য়াবিরদুনা হায়রম্মী, ফরে মিকোন নঙনা হায়রিবা অদু ঐ য়ারে নঙনা নীংবা থুংজরো। ঙসিদগী হৌরদুনা হয়েং লাইরেল ঐগী চারোন শুরোন ফাওবদা লোক্তাক পাৎ হায়রিবা মফম অসিদা ঐগী চাদা নাউদা অমদি লাইরেলগী শাগৈ অমত্তনা লৈতবা ওইরসনু। ঐনা ঙসি হায়রল্লিবা ৱাফম অসিবু ইনদদুনা করিগুম্বা লাইরেলনা লোক্তাক পাৎ অসিদা লৈবা থোক্লবদি লাইরেল অদো পৎ পুমদুনা মথৱায় মাঙবা ওইরসনু হায়রম্লগা লাইওইরবা লাইরেলদো তাইবঙপান থাদোকখ্রে।

মতৌ অসুম তৌদুনা লোক্তাক খোঙবান্দা লৈরম্বা মিকোন কৌবা নুপা অমখক্লা লোক্তাক্তা লৈরম্বা লাইওইরবা লাইরেল অমগী মফমদা লোক্তাক পাৎতা লাইরেল লৈবিরনু হায়দুনা নিজহৌবদগী লাইরেল অদুনা য়াবিরদুনা লোক্তাক পাৎ হায়রিবা পাৎ অসিদা ঙসি ফাওবদা লাইরেল অমত্তা লৈখিদেকো ইশুশা।০